

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, MONDAY, NOVEMBER 26, 2018 **PAGE 7**


*ন্যু দিল্লিদা চথখিবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা ৬রকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মতুং ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসনগী পেনেলনা খ্বাইদগী ফজবা বোক্সরগী মনা পীখ্রবী মণিপুরগী বোক্সর এম সি মেরি কোম*

*লক্ষনৌদা চথরকপা সয়েদ মোডি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সট্লর সাইনা নেহৱালবু স্ট্রেট গেম ২১–১৮, ২১–৮ দা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী চাইনাগী হান য়ু*

## ওস্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দবু ৱিকেট ৮ দা থোইদুনা আইসিসি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ৪রকশুবা টাইটল লৌখ্রে



আইসিসি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি–২০ গী ৪রকশুবা টাইটল লৌখ্রবা ওস্ট্রেলিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম

*এন্টিগুৱা, নবেম্বর ২৫ঃ*

থা অসিগী ৯ দগী ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরকপা আইসিসি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ওস্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দবু ৱিকেট ৮ তা চাওনা মায়থিবা পীদুনা ইদিসন ৬কী মনুংদা মখোয়গী ৪শুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ওস্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু লৈবাক ৱেষ্ট ইন্দিজবু রন ৭১ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদনা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮ তা মায়থিবা পীরম্বনি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা ওভর ১৯ গা বোল ৪ শান্নবদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা শুপ্নগী রন ১০৫ খক লৌখি।

ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদু হৌবদগী ফিভম য়াম্না শোককখি। স্কোর বোর্দতা রন ৫০ য়ৌদ্রিঙৈদা মখোয়গী বেটচৱুমেন ৩ আওট ওইখি। ওপনর দানিয়েলি য়াট অমসুং মরিশুবা বেটসৱুমেন ওইনা চঙলকখিবী কেপ্টেন হিথর নাইট মখোয়গী ইন্নিংস অদু শেমগৎনবা হোৎনরিঙৈ ওপনর দানিয়েলি য়াট বোল ৩৭ মায়োক্লবদা সিক্স অমা অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪৩ দা আওট ওইখি।

কেপ্টেন হিথর নাইটসু মখোয়গী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ২৫ হাপচিল্লমখি। মহাক সিক্স অমা অমসুং ফোর অমা য়ৈরমখি। অতোপ্পা বেটসৱুমেনশিংদি রন ১০ য়ৌনা লৌবা ঙমখিদবদগী ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদু ২০শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১০৫ দা লোইশিনখি।


ওস্ট্রেলিয়াগী বোল্লিংদা এসলি গার্দেনরনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

মায় পাক্নবগী রন ১০৬ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ওস্ট্রেলিয়ানা ১৬শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা শুপ্নগী ৱিকেট অনীখক তুরগা লৌবা ঙমখিবদগী ফাইনেল মেটচ অদু ৱিকেট ৮ দা মায় পাক্কুনা মখোয়গী ৪রকশুবা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ওস্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুদা ওপনর অনী এলিসা হিলি অমসুং বেথ মুনিনা রন ২৯ লৌরমখি। এলিসা হিলিনা বোল ২০ মায়োক্লবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২২ লৌরমখি। অতোপ্পা ওপনর বেথ মুনিসু রন ১৪ লৌরমখি।

অহুমশুবা বেটসৱুমেন এসলি গার্দেনর অমসুং মরিশুবা বেটসৱুমেন ওইনা চঙলকখিবী টিম অসিগী কেপ্টেন মেগ লান্নিংনা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ৩৩ (সিক্স ৩, ফোর ১) অমসুং ২৮ (ফোর ৩) লৌবা ঙমদুনা ইংলেন্দবু মখোয়না ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীরল্লগা ৪রকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## স্পেন অমসুং ন্যু জিলেন্দ মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্কুনা য়ু–১৭ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী অহানবা সেমি ফাইনেল শান্নরগনি



স্পেনগী শান্নরোই অমনা নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওনা চেঙ্গোরকপা

*মোন্টেভিদিও, নবেম্বর ২৫ঃ*

উরুগ্বেনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ্তা স্পেন অমসুং ন্যু জিলেন্দ মখোয়–মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্কুনা অহানবা সেমি ফাইনেল শান্নরগনি।

ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেননা নোর্থ কোরিয়াবু পেনাল্টি সুট আওটতা পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

স্পেন অমসুং নোর্থ কোরিয়ানা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল অদু মায়কৈ অনীদগী লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। অহানবা হাল্ফ অদুদা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌবা ঙমখ্রবসু নোর্থ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈখিবনি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী মতম কুইনা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্মদনা লৈখি। শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই ক্লাইদিনা পিনা মেদিনানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মিনট ২ লৈরগা নোর্থ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কিম কিয়োং য়োংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি। মখা তাবা মেটচকী লেহৌবা মতমশিং অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে। এক্সত্রা টাইম শান্নরকপদসু অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী পেনাল্টি সুট আওটতা চাং য়েংনখি।

পেনাল্টি সুট আওট অদুদা স্পেনগী নোর্থ কোরিয়াবু ৩–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ন্যু জিলেন্দনা জপানবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

মেটচ অদু হৌবদগী ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা এমেলিয়া এবেবোট্টনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা জপানদগী মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা জপানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোই মেকি রাইটনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা মান্নখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখিদে। এক্সত্রা টাইম শান্নরকপদসু অহেনবা পাঞ্জল লৈন্নদবদগী পেনাল্টি সুট আওটতা মায় পাকপা টিম খনবগী মথৌ তাখি।

পেনাল্টি সুট আওটতা ন্যু জিলেন্দনা জপানবু ৪–৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেলদা নোর্থ কোরিয়াবু থোইরম্বা স্পেনগা শান্নরগনি।

## ক্রোএসিয়ানা ফ্রান্সপু থোইদুনা দেবিস কপ ৱার্ল্ড গ্রুপকী টাইটল লৌখ্রে




*লিল্লে, নবেম্বর ২৫ঃ*

দেবিস কপকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ওইরিবা দেবিস কপ ৱার্ল্ড গ্রুপকী ফাইনেলদা ক্রোএসিয়ানা ফ্রান্সপু মেটচ ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি দেবিস কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা নম্বর ফোর টিম ওইরিবা ক্রোএসিয়ানা য়ুএসএবু মেটচ ৩–২ দা মায়থিবা পীরমখি। অদুগা নম্বর ৱান টিম ওইরিবা ফ্রান্সনা স্পেনবু মেটচ ৩–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

থা অসিগী ২৩ দগী হৌদুনা ফ্রান্সকী সিটি লিল্লেদা শান্নখিবা দেবিস কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ অসিগী ফাইনেলগী অহানবা টাইগী সিঙ্গলসতা ক্রোএসিয়াগী বোর্না কোরিকনা ফ্রান্সকী জেরেমী চার্দিবু ৬–২, ৫–৭, ৬–৪ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অনীশুবা টাইগী সিঙ্গলস মেটচতা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকনা ফ্রান্সকী জো–ৱিলফ্রেদ সোঙ্গাবু ৬–৩, ৫–৭, ৬–৪ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অসিদা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহুমশুবা টাই নুপাগী দবলসকী লম্বা ওইখি। মদুদা ফ্রান্সকী নিকোলাস মাহুট অমদি পিয়েরি হুগেস হর্বর্টনা ক্রোএসিয়াগী পেয়র ইভান দোগিগ অমসুং মাটে পেভিসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৬–৪, ৬–৪, ৩–৬, ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা মেটচ ২–১ দা শোত্থদুনা লৈখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী মরিশুবা টাইগী রিভর্স সিঙ্গলস মেটচতা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকনা ফ্রান্সকী লুকাস পোলিবু ৭–৬(৭–৩), ৩–৬, ৬–৩ দা থোইবা ঙমখিবদগী দেবিস কপ ৱার্ল্ড গ্রুপকী ফাইনেল মেটচ অদু ক্রোএসিয়ানা ফ্রান্সপু মেটচ ৩–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌখি।

## ইন্দিয়াগী সট্লর সমির বর্মনা সয়েদ মোডি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, সাইনা নেহৱাল ফাইনেলদা মায়থিহৌরে




*লক্ষনৌ, নবেম্বর ২৫ঃ*

উত্তর প্রদেশকী কোনুং লক্ষনৌদা লৈবা বাবু বানারসি দাস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরকপা য়ুএস দোলর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সয়েদ মোডি বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সট্লর সমির বর্মনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা সাইনা নেহৱাল মায়থিহৌরে।

সয়েদ মোডি বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা ৬শুবা সিদেদ চাইনাগী লু গুৱাংঝুবু গেম ২–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম চাইনাগী লু গুৱাংঝুনা সমির বর্মবু ২১–১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। গেম অমা শোত্থরবা ইন্দিয়াগী সমিরনা অনীশুবা গেম অদুদা কন্না হোৎনরক্কুনা চাইনাগী লু গুৱাংঝুবু য়াম্না নক্নবা স্কোর ২১–১৯ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু গেম অমমম মান্নখি।

দিসাইদিং গেমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্কুনা চাইনাগী লু গুৱাংঝুবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিনবা ঙমখিবদগী গেম অদু ২১–১৪ দা থোইবা ঙমদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালবু ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী হান য়ুনা ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌখি।

অহানবা গেম শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী লম্বা মান্নখিবনা পোইন্ট মান্ন–মান্নদুনা চৎখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা চাইনাগী হান য়ুনা ফজবা হেনখিবদগী গেম অদু ২১–১৮ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদদি চাইনাগী হান য়ুনা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিনবা ঙমদুনা ২১–৮ দা লায়না থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখি।

সয়েদ মোডি বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী ফাজার অলফিয়ান অমসুং রিয়ান অরদিয়ান্টোনা ৮শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিবু ২১–১১, ২২–২০ দা থোইরল্লগা টাইটল লৌখি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ মালেসিয়াগী পেয়র চৌ মৈ কুৱান অমসুং লি মেং য়িননা ৪শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী পেয়র আশ্বিনি পোনাপ্পা অমসুং এন সিক্কি রেদ্দিবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৫, ২১–১৩ দা থোইরগা টাইটল ফংখি।

মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা চাইনাগী পেয়র উ জুৱানয়ি অমসুং ফেং জুয়েয়িংনা ৪শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র রিনোভ রিভাল্ডি অমসুং পিথা হানিনটিয়াস মেন্টারিবু ২২–২০, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরল্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌখি।

## *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯*
## জমসেদপুরনা চেন্নাইন এফসিবু ৩–১ দা থোইখ্রে



*জমসেদপুর, নবেম্বর ২৫ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি জমসেদপুরদা লৈবা জেআরদি টাটা স্পোর্টস কমপ্লেক্স ষ্টেদিয়মদা মফম অসিগী ক্লব জমসেদপুর এফসিনা চেন্নাইন এফসিবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা য়ুম্বু টিম ওইখিবা জমসেদপুর এফসিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি। শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা জমসেদপুর এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পাব্লো মোরগাদোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা জমসেদপুরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী শান্নরোই কার্লোস কালভোনা পাঞ্জল ওন্থোক্কুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা জমসেদপুর এফসিনা চেন্নাইন এফসিবু ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৮শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফসিনা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু রাফেল ওগষ্টোনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭১শুবা মিনটতা জমসেদপুর এফসিগী এটেক অমদা মারিও অরক্যুসনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেটচ অদু ৩–১ দা মায় পাকখি।

## টি–২০ ৱার্ল্ড কপ ২০২০ ওস্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগনি

*দুবাই, নবেম্বর ২৫ঃ*

কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপা অমসুং নুপীগী টি–২০ ৱার্ল্ড কপ ওস্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগনি।

ওস্ট্রেলিয়ানা নুপা অমসুং নুপীগী টুর্নামেন্ট অনীমক য়ুম্বু ওইগদৌরিবা অসি ক্রিকেটকী পুৱারীদা অহানবা ওইরি। নুপীগী ২০২০ টি–২০ ৱার্ল্ড কপতা টিম ১০ না মেটচ ২৩ শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসি ফেব্রুৱারী ২১ দগী হৌরগা মার্চ ৮ ফাওবা চত্থগনি।

অদুগা নুপাগী কম্পিটিসননা টিম ১৬ না মেটচ ৪৫ শান্নগনি। কম্পিটিসন অসি ওক্তোবর ১৮ দগী হৌরগা নবেম্বর ১৫ ফাওবা চত্থগনি।

য়ুম্বু ওইগদৌরিবা ওস্ট্রেলিয়ানা সিটি ৮ দা লৈবা ভেন্যু ১৩ দা শান্নগনি। নুপা অমসুং নুপীগী ফাইনেল মেটচ মেলবর্নদা শান্নগনি। নুপীগী ফাইনেল মেটচতি ইন্টরনেসনেল ৱুমেন্স দে ওইরিবা মার্চ ৮ দা শান্নগনি।

## ইটালিগী সেরি এ দা জুবেন্টসনা এসপিএএলবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে
## স্পেনগী লা লীগাদা বার্সেলোনা অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে



*রোম, নবেম্বর ২৫ঃ*

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এ দা জুবেন্টসনা এসপিএএলবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা বার্সেলোনা অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি রোমদা লৈবা এলিয়াজ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপা লম্বা মান্নরকখি। মতম খরা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুংশান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৬০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা মারিও মেন্দজুকিকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা এসপিএএলবু মায়থিবা পীখি।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা ইন্টরনা ফ্রোসিনোনবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

ইন্টরগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা কৈটা বাল্ডেনা অহানবা, ৫৭শুবা মিনটতা লাওটারোনা অনীশুবা অমসুং ৮২শুবা মিনটতা কৈটা বাল্ডেনা অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা বার্সেলোনা অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নখিদে। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭৭শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোই দিএগো কোষ্টানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী অরোইবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই ওসমানে দেম্বেলেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎখি।